# ময়াং ইম্ফালদগী ইহান হানবা ওইনা জুদো হায়রিবা মশান্না অসিদা ঐহাক ইন্টর্নেসনল শান্নবা ঙমজরকখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ-পরে চল্লুরবশিং



অঙোম সুরজিৎ
*(জুদো, এন আই এস কোচ)*

মণিপুরদা জুদোগী ইহৌ অসি কুমজা ১৯৭৬/৭৭কী মতম স্বাইদগী লাকখ্রে। জুদো হায়রিবা মশান্না অসি লমদমসিদা হেক য়ৌরকখিবগা পাম্নবা গেম অমসু অদুমক ওইরকখি। মশান্না অসিবু মণিপুরদা নীংথিনা শক্তাকপীদুনা কাংলোন চুম্না তাকপী তম্বীরকখিবা কোচনা লৈখিদ্রবা ওজা কে চন্দ্রনি। জুদো হায়রিবা মশান্না অসিদা ইহান হান্না সনাগী মেদল পুরকখিবা শান্নরোয়দি এ সচিকুমানি। কুমজা ১৯৮০দা শ্রিনগরদা তৌখিবা “ফর্ষ্ট নেসনল স্কুল জুদো চেম্পিয়নশিপ”তা মণিপুর মচাশিংগী মনুংদদি এ সচিকুমারনা সনাগী মেদল ফংবা ঙল্লকখি। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৮১দা ইন্দারদা পাঙথোকখিবা “অহুমশুবা ওল ইন্দিয়া জুদো চেম্পিয়নশিপ”তা মণিপুরগী নুপী জুদোকাশিংগী মরক্তগী নামৈরাকপম বীনা চনুনা অমুক কিলোগ্রাম ৫০গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখি। অসুম্না কুমজা ১৯৮০গী মতমদগী জুদো হায়বা মশান্না অসি মণিপুরি মচাশিংগা থোইদোক্না চানবা গেমনি হায়বসি মশক তাক্লকখি। লোয়ননা হায়রিবা মতমসিদগী হৌরগা জুদো মশান্নবু থৱায় য়াওনা পামজবা শান্নরোয় কয়া অমসু থোরকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি, জুদো হায়রিবা মশান্না অসিদা ঙসিদি লমদমসিদগী ওলিম্পিয়ন অনী, অর্জুনা এৱাদি অনীসু পুথোকপা ঙমখ্রে। ওলিম্পিয়ন অনী অদুদি লৈখিদ্রবী লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরী দেবী অমদি খুমুজম তোম্বীনি। অদুগা অর্জুন এৱাদি অনীদুনা অঙোম অনিতা চনু অমদি খুমুজম তোম্বী দেবীনি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইনা জুদোগী শান্নরোয় কয়া পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা একাদমি অমা পনবা তারবদি, ময়াই লক্ষী স্পোর্টস একাদমি পনবা য়াই। সাই এস এ জি সেন্টর, নেসনল স্পোর্টস একাদমি য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী আর সি সি সেন্টরনচিংবদসু মতম মতমগী ওইনা জুদো শান্নরোয়শিং হৌজিকসু লেপ্তুনা শেমগৎলি।

ময়াই লক্ষী স্পোর্টস একাদমিগী হৌজিক হৌজিক চীফ কোচ ওইনা অঙাংশিং তাকপী তম্বীবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরিবা অঙোম সুরজিৎনা মহাক্কী ওইবা ৱারোলশিং ফোঙদোক্লদুনা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, ঐহাক ইশামকসু জুদো শান্নরোয় ওইনা হৌজরকখি। শান্ন-খোৎনবসিসু ঐহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী অদুম পামজরকখি। ঐখোয় ফেমিলিসিদি জুদোগী ফেমিলি হায়রসু অদুম য়ারবনি। ঐগী ইয়াম্বা অঙোম চাওবা মহাকসু জুদো প্লেয়রনি। ঐগী ইচনুপী অঙোম অনীতা চনু, মহাকসু মণিপুরগী ওইনা জুদোদা অহানবা অর্জুন এৱার্দ ফঙখিবী জুদোকানি। অদুগা ঐগী ইচনুপী এ প্রেমলতাসু জুদোদা এন আই এস দিপ্লোমানি। ঐহাক ইশামকসু এন আই এস দিপ্লোমা পাস তৌজবগা লোয়ননা টেক্নিকেল কোর্স কয়া অমসু লোইশিনজরে।

ঐহাক ইশামক্তি ময়াং ইম্ফাল ব্রেভ বোই একাদমি হায়বসিদগী হৌজরকপনি। বি বি এ হায়রিবা একাদমি অসিদা শান্নজরিঙৈ মতমদা, মণিপুরগী ওইনা জুদোদা য়াম্না লিঙবা টিম লৈরম্বনি। ঐনা খঙজবদা খাগেমপল্লি অমদি মালোমসি ওইরম্মী। অদুবু ঐখোয় ময়াং ইম্ফালগী ব্রেভ বোই একাদমি অসি কুমজা ১৯৯৩দগীনা ২০০০ ফাওবা মমিং ফজনা চৎপগা লোয়ননা চহী নীপান চুপ্পা ষ্টেটকী চেম্পিয়ন লৌবসু ঙমখি। বি বি এ সিদগী অমুক হেন্না পাকথোক-চাওথোক্লবা হায়দুনা কুমজা ২০০১দগীদি ময়াই লক্ষী স্পোর্টস একাদমি হায়বসি লাকখিবনি।



ঐহাক্না শান্নজরম্বগী মপুং ওইবা ৱারী খরা পঞ্জরবদা কুমজা ১৯৮৬/৮৭ মতম স্বাইসিদগী ঐহাক শান্নবা হৌজরকখিবনি। হায়রিবা মতম কুমজা ১৯৮৭কী ওক্টোবর থাসিদা, দিল্লি সাইগী কাংবু অমা জুদোগী স্পোর্টস টেলেন্ট ছর্সকীদমক মণিপুরদা লাকখি। মদুদা লাকখিবসি রবি পর্তিল কৌই। মপুং ওইনা মিজোরামদগী খরগা মণিপুরগী খরগা জুদোগী ট্রেনিং পিবা য়াবা শান্নরোয় খন্ননবা মখোয়দু লাকখিবনি। ঐখোয় ময়াং ইম্ফালদগী মদুগী টেলেন্ট হন্টতুদা য়াওখিবসি ঐনে, ওজা গুনমনিনে, জিতেননে (হৌজিক হৌজিক এস এস বি গী কোচ ওইরিবা) জিবনগা ঐখোয়সিনি।

দিল্লি সাই সেন্টরদা ঐখোয়সি ইন্দিয়াগী মমিং লৈবা কোচশিংনা নবেম্বর থাসিদা থা অমরোম কোচিং পীখি। মদুদা শরুক য়াখিবসি পুন্না ঐখোয় ৫০ মুক্নি। থা অমরোম চুপ্পা পীরকখিবা ট্রেনিংদুনা জুদো হায়বসি করম্না শান্নগদবনো হায়বা অমদি মুন্না খঙহনবীরকখি। দিল্লি সাইদা তৌখিবা কোচিংদু ঐখোয়দসু য়াম্না কান্নখি।

অমরোমদা কুমজা ১৯৮৭কী মতমসিদা ময়াং ইম্ফালদা জুদো ফজনা শান্নবা নুপা জুদোকা ১৫/২০ মুক লৈরে। ঐগী ওইনা লৌজরম্বা মেদলসিনা জুনিয়র নেসনলদা গোল্ড অনীগা ব্রোঞ্জ অমা লৌজবা ঙমজখি। কুমজা ১৯৮৯দা ইজিপ্টকী কাইরোদা তৌখিবা ইজিপ্টসিয়ন ইন্টর্নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ (জুনিয়র)দা ঐহাক মঙাশুবা পোজিসন তারকখি। ... মথং মথং ...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিস অমদি মাইনেনি-জিবনগী পেয়র জিনান ইন্টর্নেসনল ওপনদা মায় পাক্লি



জিনান, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ
চাইনাগী সিটি জিনানদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টুরগী মনুংদা চনবা জিনান ইন্টর্নেসনল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টনা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বর প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে। দবলসকীদা মাইনেনি, জিবন অমসুং দিবিস সারন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দ মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরননা জপানগী শান্নরোয় আর রেন্তা টোকুদাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা প্রজনিস গুনেশ্বরননা স্পেনগী ওর্টেগা ওলমেদোবু ৫-৭, ৬-২, ৭-৫তা থোইরম্বা চাইনিজ টাইপৈগী টি আই ৱুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পেয়র সকেত মাইনিনি অমসুং জিবন নেদুনসেজিয়াননা অহানবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র সিমতারো ইমাই অমসুং টি মাটসুইবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র এস বলাজি অমসুং বি বর্ধানবু ৩-৬, ৭-৬ (৭-২), ১০-৭দা মায়থীবা পীরম্বা জপানগী ঐচ মোরিয়া অমসুং পোর্টুগালগী জি ওলিভৈরাগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্টঅসিগীনুপাগীদবলসকী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী দিবিস সারন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম এবদেননা সর্বিয়াগী পি কৃষ্টিন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সন্তিলনগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

# ওমানগা লম্বা তৌননবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং নীংথিনা শেম শাখ্রে ঃ ষ্টিমেক




গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ
ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২ অমসুং এ এফ সি এসিয়ন কপ চাইনা ২০২৩গী ক্বালিফাইয়িং কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র নেসনল মেন্স ফুটবোল টিমনা হয়েং গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা ওমানগা লম্বা তৌননবা নীংথিনা শেম শাদুনা লৈরে হায়না হেদ কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখ্রে।

মেচ অদুদগীদমক্তা শেম শাবা মওং পুন্নমক অচুম্বা মওংদা চঙশিল্লি হায়না কোচ অদুনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱাখলদা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা অমনা অমগী মগুন খঙনবা হেনগৎলকপা অমদি মখোয়গী হকচাংগী ফিটনেসকী থাক ৱাংখৎলকপা অদুদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

ওমান অমসুং ইন্দিয়ানা ইকোন কোন্না শান্নখিবা মেচ অদু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবা মেচ অদুনা ওইখি। ক্রোসিয়া মচা কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হয়েংগী মেচ অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি টিম অমা ওইনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌবা অদুনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা হেন্না ফবা টিমগা শান্নবা মতমদা অহেনবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙম্মি। মরম অদুনা মিনট ৯০ মপুং ওইনা ওর্গনাইজ তৌরবা মশান্না অদু উৎপা ঙল্লবদি ওমানবু চপ চাবা লম্বা পীবা ঙমগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা ইন্টর্নেসনল মেচ ১১১ শান্নখিবদা পুন্না পাঞ্জল ৭১ চনবা ঙমখ্রবা সুনিল সেত্রিনা ফোঙদোকখিবদা হয়েংগী মেচ অসিগীদমক্তা শান্ননিংবগী তোঙানবা মীহুল অমা চোংই হায়খি। মহাক্কী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা টিম অদু আইগোর ষ্টিমেককী মখাদা য়াম্না মরিক চুম্বা ট্রেনিং কেম্প চৎখি। টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয় পুন্নমক ফিট ওইদুনা ইখৌ লাংবা পোক্লি হায়খি।

কুমজা ২০১৫তা ফিফা ৱর্ল্ড কপ রসিয়া ২০১৮তা ওমানগা শান্নখিবা ক্বলিফাইয়িং মেচতা ইন্দিয়া পাঞ্জল ১-২দা মায়থীহৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু সুনিল সেত্রিনা চনবা ঙমখিবনি।

হয়েং গুৱাহাটিদা ক্বালিফায়িংগী মেচ অহানবা শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেচ ওইনা দোহাদা কটারগা সপ্টেম্বর ১০দা শান্নগনি। গ্রুপ ‘ঈ’ অসিদা অফগানিস্তান অমসুং বংলাদেশ য়াওরি।

# স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে, সেরেনা ৱিলিয়মস সেমি ফাইনেলদা এলিনা স্বিটোলিনাগা থেংনরগনি





ন্যুয়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ
গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙমখ্রবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা যু এস ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। নুপীগী মায়কৈদা সেরেনা ৱিলিয়মস সেমি ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ ওইখিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৭৮ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোবকা লম্বা তৌনখি। মমাঙদা দিমিট্রোব অমসুং ফেদররগা শান্নখিবা মেচ ৭মক ফেদররনা মায় পাকখিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুদদি দিমিট্রোবনা সেট ৩-২দা মায় পাকখি।

অহানবা সেট ফেদররনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু দিমিট্রোবনা ৬-৪দা থোইরগা লৈখি। অহুমশুবা সেট লম্বা তৌরকপদা ফেদররনা ৬-৩দা থোইরগা সেট ২-১দা মাংজিল থাখি। ৪শুবা সেট অদুদা দিমিট্রোবনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবগী মহয় য়ান্দুনা ৬-৪দা থোইরগা ৫শুবা অমদি দিসাইদিং সেটকীদমক শান্নখি।

অরোইবা সেট অদুদা দিমিট্রোবনা ফেদররগী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৪-০দা মাংজিল থাখি। ফেদরর ফুগৎপা ঙমদনা সেট অদু ২-৬তা মায়থীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

বলগেরিয়াগী দিমিট্রোবনা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা স্বিজর্লেন্দগী শান্নরোয় ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-৩, ৩-৬, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৬লক লৌবা ঙমখ্রবী অমদি করিয়রগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩ লৌবা ঙল্লবী যু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাং কিয়াংবু য়াম্না কোম্না শুপ্নগী মিনট ৪৪দা ৬-১, ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা গ্রেদ বৃটেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬ শুবা সিদেদ শান্নরোয় জোহানা কোন্তাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। সেরেনা অমসুং স্বিটোলিনানা মমাঙদা লম্বা তৌনখিবা মেচ ৫দা সেরেনা ৱিলিয়মসনা মেচ ৪-১দা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

যু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দলবসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকা ক্বার্টর ফাইনেলদা মখোয়না নম্বর ১ সিদেদ নেদর্লেন্দসকী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসপু ২-৬, ৭-৫, ৬-১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ৪ শুবা সিদেদ পেয়র বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্স অমসুং বেলারসকী এরিনা সবালেনকা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না চাইনাগী পেয়র দুৱান য়িংনিং অমসুং ঝেং সাইসাইবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসতা স্পেনগী মার্সেল গ্রানোলর্স অমদি অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসনা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র কেবিন ক্রাউৱিটস অমসুং এন্দ্রি মায়িজকা লম্বা তৌনরগনি।

# চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্ম অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, রিয়া মুখর্জি মায়থীহৌরে




টাইপৈ, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ
যু এস দোল্লর ৫০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্ম অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী রিয়া মুখর্জি মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবা সৌরব বর্ম্মনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা জপানগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৪৪ কজুমাসা সকাইবু ষ্ট্রেট গেম ২দা শুপ্নগী মিনট ৩৮দা ২২-২০, ২১-১৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ য়ুম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় চৌ তিয়েন সেনগা লম্বা তৌনরগনি।

চৌ তিয়েননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা থাইলেন্দগী এস এবিহিংসানোনগা শান্নবদা ২১-২৩, ২১-১৬দা গেম অমমম মান্দুনা লৈরিঙৈ দিসাইদিং গেমদা মহাক্না ১৬-১১দা মাংজিল থাদুনা শান্নবদা এবিহিংসানোন রিটয়ার্দ তৌখিবদগী চৌ তিয়েন অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু মরম খরদগী ৱিদ্রো তৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় রিয়া মুখর্জিনা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী সুপানিদা কটেথোংগা লম্বা তৌনবদা ২১-১৯, ১১-২১, ১৩-২১দা অহানবা রাউন্দ মায়থীখি।

নুপীগী দবলসকা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অর্পনা বলান অমসুং প্রজাক্তা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র সেং য়ু পৈ অমসুং জ্বাং তিরেংগী মখুৎতা ১৯-২১, ২৩-২১, ১৫-২১দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা সৌরব বর্ম্ম খক্তমক ঙাইহৌরে।

# কটারনা য়ুম্বু ওইগদৌরিবা কুমজা ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী লোগো মালেম শীনবা থুংনা মায়খুম হাংদোকখ্রে




দোহা, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ
কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী লোগো কটার সিটি খক্তা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদসু শীনবা থুংনা লোগোগী মায়খুম হাংদোকখ্রে।

কটারগী সাউদর্ন মেসরেব দিষ্ট্রিক্টতা মফম অদুগী নুমিদাং পুং ৮.২২ (ইন্দিয়াগী মতমদনা ১০.৫২) তাবা মতমদা য়াম্না চিংলেম্লবা মওংদা লাম্নীশিংনা শগোল তোংদুনা চৎখিবা প্রোসেসন অমগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈবা নেসনল অক্রাইবস বিল্ডিংদা চাওনা মৈঙান থান্দুনা লোগো অদু মীয়ামদা মায়খুম হাংদোকখি।

লোগো অদু ইংলিসকী অঙ্কা ময়েক অইট (8) মানবা মওং ওইখি। ফিগর অদুদা ইনফিনিতিগী সিম্বোল ওইহনখি। অদুগা ‘ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২’ হায়বা ৱাহৈগী মথক্তা হার্টকী সেপ মান্না শেমখি। লোগো অদু কটারগী মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা সামতুগী সোলদগী আইদিয়া লৌখিবনি। হায়রিবা সামতুগী সোলশিং অসি কটারগী মীওইশিংনা নীংথম থাগী মতমদা শীজিন্নবনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ অদু নভেম্বর অমসুং দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্তুনা অশাবা মতমদগী থৈদোক্লবা শীনখি। ৱর্ল্ড কপ অদুগীদমক্তা কটারনা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ৮ ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা পুখৎনবা শেমখি। কুমজা ২০২২গী ৱর্ল্ড কপ অসিনা কটার লৈবাকপু মালেমগী ওইবা থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী য়ুম্বু ওইবা ঙম্মী হায়বা উৎকদৌরিবনি।

দোহা সিটিদা মায়খুম হাংদোকখিবতা নত্তনা মুম্বাই, পেরিস, লন্দন, মোস্কো, সিওল অমদি অতোপ্পা সিটি কয়াদসু মায়খুম অদু মতম চপ মান্ননা হাংদোকখি।